# মশা চাননবা শা-ষণশিং পুথোক পুশিন তৌবা

সরাংথেম জেসমারানি

মশা চাননবা শাশিং পুথোক পুশিন তৌনবা হোৎনবদা শা-ষণশিংসি অশোয় অঙাম য়াওদনা লূ-নান্না মখোয়বু শা শেম্ফম মফম ফাওবা পুবিগনি। অসিগুম্বা মতমসিদা শা ষণশিংদা করিগুম্বা মখল অমতগী অৱাবা, চোকথবা অমত্তা লৈহনবিরোইদবনি অমদি য়াম্না শাংনা পুবিদনবা হোৎনবীগনি।




**গাড়ীদা হাপতোক হাপচিন তৌবা ঃ**

মশা চাননবগী শা-ষণশিং লম শাংনা মফম অমদগী অমদা গাড়ীদা পুবা মতমদা শাশিং গাড়ীদা অমুক হাপচিন অমুক লৌথোক তৌবা মতমদা শা-ষণশিংদা অদুক্কী মতিক অৱাবা অমা ওইহল্লি। গাড়ীদা শা-ষণশিং হাপ্পা মতমদা নিংথিনা হাপ্পীহৌদ্রগদি অৱাবা কয়া অমা মায়োক্ক রগা তুশিনবা নৎত্রগা অশোক অপন কয়া অমা থোকহল্লি। কালেনগী মতমদা শাশিংসি খরা লাপ্পা পুবীগে হায়রবদি অয়ূক অঙনবদা ওইনা পুবিবনা ফৈ। নিংথমথাগী মতমদা অয়ূক নুংশা খরা থোক্লগা পুবিবনা হেন্না ফৈ। অদুবু নুমিদাংগী মতমদা পুবনদি খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। গাড়ীদা মতম শাংনা পুবা তারগদি লম্বীদগী ঈশিং অফবা পীথকপীগনি অমদি মসিদসু নত্তনা মফমদুদা ফংবা শজিকসু পীজবিহৌগনি অদুবু কা হেন্না পীজবিবদি খক তৌবিরোইদবনি।

মফমসিদদি শাশিং পুথোক পুশিন তৌবা মতমদা ত্রেন লৈতবনিনা ত্রক্তা পুবনা খ্বাইদগী ফবা গাড়ী অমা ওইরে অদুবু ত্রক্তা চৎপা মতমদা কিলোমিটর ৫০০ নৎত্রগা পুং ১০-১৫ ফাওবদি লেপ্পুনা চৎপা ঙম্মী। করিগুম্বা লমশাং চৎপা মতমদা পুং ১২ দগী হেনবা তারগদি লমখাংদা ঈশিং অমদি মচিঞ্জাক পীজনবা হোৎনবীগনি।

**শা-ষণশিং পুগদৌরিবা গাড়ীগী মওং ঃ**

- গাড়ী মনিংদা শাশিং হাপ্পা হৌদ্রিঙৈদা মনিংগী অকোয়বদু শোক্তনবা খরা থান্না খাজিনবীগনি।
- মরক্তা কম্পার্টমেন্ট খরা খাইদোকপীগনি। মসিগী অৱাংবনা ষণদনা মিটর ১.২৭ অদুগা হামেং অমদি ওক্তনা সেন্টিমিটর ৭৬ ওইগনি। কম্পার্টমেন্টশিংদা শাশিং থম্বা মতমদা য়াম্না চিন্না থম্বীরোইদবনি। নুংশিৎ নুংশা চঙনবা খরা কোম্না থম্বীগনি।
- শাশিং থমগদৌরিবা গাড়ী মনিংদুগী লৈমায় য়াম্না নালহনবীরোইদবনি। লৈবাক নৎত্রগা লৈঙোই ইঞ্চি ৪-৭ মুক থানা থাবীগনি।
- করিগুম্বা মতমদা গাড়ী মনুংদু মরোন অনী থোক্লা লৈবা তারগদি মথক্তা কাখৎফম তোঙান্না থম্বীগনি।
- কম্পার্টমেন্ট মনুংদা শাশিং কোয়চেন চেনদনবা পুল্লগা থম্বনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ।

শাশিং পূন্না পুমিন্নবা য়াদবা খরা ঃ

- মচা চেল্লবী ষণবী অমদি ষণ লাবা থা ১০ গী মখাদা লৈবা।
- ওক মচাগা কোন্ননা লাবা থা ৬ কী মথক্তা লৈবা।
- পুল্লগা পুবা শাশিংগা পুন্দনা লৈবা শাশিংগা পূন্না পুমিন্নবা য়াদে অদুবু মখোম খাইদ্রিবশিংগীদি মপীগা পূন্না পুবদা অকায়বা লৈতে।
- শা অমগা অতোপ্পা শা অমগা পূন্না পুবিরোইদবনি।
- মচি পানবা শাশিংসি পূন্না পুবিরোইদবনি।

**শা পুথোক পুশিন তৌবদা চেকশিনগদৌবা খরা ঃ**

- শাশিং মফম অমদগী অমদা পুবা মতমদা মখোয়বু শেনবিনবা মী অমা য়াওবীগনি।
- শাশিং গাড়ীদা পুখৎপা অমদি পুথবা মতমদা অশোয় অঙাম য়াওদনবা চেকশিনবীগনি।
- মতম চুপ্পদা ঈশিং ৱাৎতনা পীথকপীগনি অমদি য়ামদ্রবদা পুং ১২ খুদিংগী মচিঞ্জাক পীজবীনবা হোৎনবীগনি।
- কিলোমিটর ৫০০গী মথক্তা হেন্না পুবিবা তারগদি তোঙানবা মওংদা পুনবা শাশিংনা লৈবদা হেন্না নুংঙাইনবা শেম্বীগনি।
- চৎপা হৌদ্রিঙৈ পুং ১ ৱাৎলিঙৈদা মচিঞ্জাক অমদি ঈশিং মরাং কায়না পীথকপীগনি।
- কিলোমিটর ১০০০ অমা হেন্না পুবা তারগদি শাশিং গাড়ীদগী অমুক পুথবীরগা মচিঞ্জাক অমদি ঈশিং নিংথিনা পীজবীগনি অদুগা অমুক গাড়ীদা হাপকৎপীগনি। মসিনা শিবা অমদি শোকপগী চাং হন্থগনি।

**গাড়ীদা পুবগী শাশিংগী থম্নবা মফম ঃ**

- ওক - ০.৪২ স্কার মিটর
- হামেং/য়াও - ০.২৫৫ স্কার মিটর
- ষণাও মচা - ০.৩২৫ স্কার মিটর
- ষণ - ০.৫১ স্কার মিটর

ত্রক্তা ষণশিং পুবা ঃ

- ষণশিং ত্রক্তা হাপ্পগা পুবিবা তারগদি ত্রকতুগী সাইজগী মতুং ইন্না শাশিং হাপ্পীগনি। ত্রক অমদা ষণ হাপ্পা য়ারিবসি য়ামদ্রবদা ৬ নি।
- ষণশিং পুবগী খ্বাইদগী ফবা মতমসি নুমিদাংদনি। ত্রক্তা হাপত্রিঙৈদা লৈঙোই নৎত্রগা লৈবাক হাপ্পবা মতুংদা চরূ অমুক থাবীরবা মতুংদা ষণ অমুক হাপ্পীগনি।
- ষণ ত্রক্তা হাপ্পগী মওংসি রো নাইনা মায় মায় ওনশিনবীগনি অদুগা রো অনীগী কারক্তা মিটর ১.৫ মুক খারগা থম্বীগনি।
- গাড়ী থৌবা মতমদা গাড়ীগী স্পিদসি পুংদা কিলোমিটর ৪০ গী চাংদা থৌবিগনি।

**ত্রক্তা হামেং অমদি য়াওশিং পুবা ঃ**

- ত্রক অমদা হামেং নৎত্রগা য়াও ৩০ মুক পুবা য়াই।
- মিটর ২-৩ খুদিংগী খাজিল্লগা থম্বীগনি, কা হেন্না চিন্না থম্বীরোইদবনি।
- পুথোক পুশিন তৌবা মতমদা নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংহনবীগনি।
- পুবা মতমদা কা হেন্না পীজবিরোইদবনি অমদি ঈশিং মরাং কায়না পীথকপীগনি।

**ত্রক্তা ওকশিং পুবা ঃ**

- মখোম খাইবদা ঙাইরিবা ওকশিং, ওক হাতমশিং, মপী অমদি চাজেনবী ওকশিং ত্রকতা পুবা তারগদি ওক অমমমদা ০.৩, ০.৪৫, ০.৬০ অমদি ১.২ স্কার মিটর ওইগনি।
- ওকশিং পুবা মতমদা খরা শাংনা মতম চঙদনবা ওইরগদি নুমিদাংৱাইরমদা পুবনা খ্বাইদগী ফগনি।
- পুথোক পুশিন তৌরিঙৈদা শ্বর ফুনগত্তনবা হোৎনবগা লোয়ননা অশেংবা নুংশিৎ মরাং কায়না ফংহনবীগনি।
- নুংশা য়াম্না শারিঙৈ মতমদা ওক পুথোক পুশিন তৌরোইদবনি। তঙাইফদনা পুবা তারগদি লম্বীদা য়াম্না তোয়না ঈশিং অইংবা চাইশিন্দুনা ঙল্লিবমখৈ মৈশাদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনগদবনি।
- গাড়ী মনুংদা লাংদনবা অমদি চিক্লা খোৎনদনবা লোয়ননা পুথোক পুশিনগী চৈনা-খাল (ত্রানসিৎ ষ্ট্রেস) দগী খঙহৌদনা শিবা থোক্তনবা ভিটামিন ঈ লোয়ননা ত্রাংকুইলাইজর কাপথোকপীগনি।
- থাংদোক থাংজিন অমসুং পুথোক পুশিন তৌরমদাইদা ওক খুদিংমক মবুক থন্না পীজ বিরোইদবনি।
- করিগুম্বদা ওকোন মনুংদা চহী চুপ্পা ফাজিন্দুনা থম্বা ওকশিং মফম অমদগী অমদা হোইদুনা পুবা মতমদা চৎলু য়াদবদগী ফু চৈদুনা কাও-থিন্দুনা অমদি নম্ফুদা ইন্দুনা পুবিরোইদবনি। মসিদগীসু মখোঙ মখূৎ অমদি মখ্বাংদা অতেক অকায় থোকহনবা য়াওই। অদুগা অমনা ওক্তা ফুবা মতমদা কৈদৌঙৈদসু মখ্বাংদা চৈনা করিনা হাইদুনা অকনবা শাফু পীরোইদবনি। মসিদগী খুদুঙ অনীমক পেরেলাইসিস তৌহন্দুনা হৌগৎপা ঙমদবা য়াম্না তোয়না থোকই।
- অনকপা মফম অমদা নৎত্রগা লৈমায়দগী গাড়ী মথক্তা হাপকৎপা মতমদা মশাগী অরুম্বা কিলো ৪০-৫০ লুম্বা ওকশিংগীদি মনা অনী, মমৈগী মখোঙ অমদি মফৈগা মবুক্কা তায়নফমদা পায়রগা থাংবদা অশোক অপন থোক্কন্দে অদুবু অচৌবা য়াম্না লূম্বা ওকশিংদদি মী অনীনা ওক্তুগী য়েৎ ওইগী চগোক মপাদা লেপ্পগা খূৎ নাম্মা নাম্মনা ওক্তুগী মবুক্কা খুমাংগা তায়নফমদা লোনশিল্লগা খূৎশিং কারন চন্না পায়শিনগনি অমদি খূৎ নাম্মা নাম্মনা মনা অনীদু পায়গনি। লোয়ননা অতোপ্পা মী অনীনা খুদুঙগা মবুক্কা তায়নফমদা খূৎ লোনশিন্দুনা খূৎশাশিং কারন চন্দুনা পায়শিন্নগনি। অসুম্না মীওই ৪/৫ চঙদুনা মতম অমত্তদা হৌদুনা ওক অদু থাংনবা হোৎনগনি। হায়রিবা কাঙলোনসিগী মহুত্তা মখোঙ মরিমক শুপ্পুন পুনশিল্লগা মখোঙ অমসুং মবুক্কী কারক্তুদা উ নৎত্রগা ৱানচিংবা লোনশিল্লগা ওক্তু লোংনা থাংগৎলগা পুবীরোইদবনি। মসিদগী মখোঙদা অতেক অকায় থোক্তুনা খুদোংথিবা য়াম্না নংগল্লি।

অসুম্না নীংথিনা শা-ষণশিং ময়ামসি মফম অমদগী অমদা চেকশিন্না পুবিরগদি অশোয় অঙাম য়াওদনা পন্থুং য়ৌবা ঙমগনি। হাৎকদৌরবনি হায়দুনা শাশিংবু লাক্লবা, ৱাহনবা, অকায় অতোয় থোকহনবা হায়বসি তৌহৈদবা অমনি। মসিদা নত্তনা শা-ষণশিং ললোল্লিবা মীওইশিংদসু শেন্দোং হন্থহল্লি হায়বসি নীংশিংজগে। ⏮

# মণিপুরী নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাং

ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ

মণিপুরগী নুপীগী মশীং অসি অপূনবা মীশিংগী চাদা ৪৯.৮১নি। অপূনবা শিন্মীগী চাদা ৪৩.৩৫না নুপীশিংনা ওইরি। ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা নুপী লাইরিক হৈবগী চাংসি চাদা ৬৫.৪৬নি। তৌইগুম্বসুং মণিপুরগী ওইনা নুপী লাইরিক হৈবগী চাংসি চাদা ৭৩.১৭নি। হায়বদি লৈবাক পূম্বগী ওইবা চাংদগী য়াম্না হেল্লি। মণিপুরী নুপীশিং অয়াম্বনা শেল থুমগী মতাংদা নুপাশিংগী মখা পোন্না লৈতে অমদি শিনফম অয়াম্বদা শরুক য়াই।

অসুম্না মণিপুরী নুপীশিংসি লৌউ-শিংউবগা মরী লৈনবা শিনফমশিং হায়বদি লৌ লীংবা, ফৌ লোকপা, শা-ঙা য়োকপা, মনা-মশিং থাবা অমদি পোথোক কয়া শেম শাদুনা য়োনবনচিংবনি। ঐখোয়না ঙাগী মতাংদা মরুওইনা খন্নবা মতমদসু ঙা য়োকপদগী য়োনবা ফাওবদা নুপীশিংনা থৌদাং চাউনা লৌরি। মরু ওইনা ঙা ফাবা অমদি ফারবা মতুংদা ঙাগী পোথোক কয়া শেম শাবদগী য়োনবা ফাওবদা নুপীশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউই।

মণিপুরগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা লৈবা নুপী/ইমা কৈথেলদা ঙা য়োল্লিবী নুপী (ইমা) কয়ানা মণিপুরী নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাং কয়া মালেমদা ময়েক শেংনা তাক্লি। হায়রিবা নুপী কৈথেল অসি মালেমদা অমত্তা ঙাইরবা কৈথেলনি অমদি মপান লৈবাকশিংগী লম কোয়বা মীওই কয়াগী পূক্লিং চিংশিনফম ওইরিবা মফম অমনি।

নুপী কৈথেলদা লৈরিবা ঙা য়োনফমদা নুপী মশীং ১০৪না ঙা য়োল্লি মসিদসু নত্তনা কৈথেল অসিগী অকোয়বদা নুপী কয়ানা ঙা য়োল্লি। ঙা য়োল্লিবী মীওইশিংনা মথৌ তাবা শেলশিংসি শেংে দাইগীদমক্তা শেল শান্দোকপা মীওইশিংনা ওইরি। ষ্টেট বেঙ্ক অমদি অতোপ্পা বেঙ্ক খরনা শেন্থুং খরা



পীরবসু অয়াম্বনা পৈশা পুথোকপা মীওইশিংদগী পুরগা শীজিন্নরি।

মণিপুরদা ঙা য়োল্লিবা মীওইশিংগী চাদা ৯০ হেনবদি নুপীনা ওইরি। মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙাবু ওইরবসু মণিপুরদগী পুথোকপা ঙাবু ওইরবসু য়োনবগী থবক্তি নুপীশিংনা অয়াম্বা শরুক ওইনা তৌরি। মপান লমশিংদগী পুশিল্লক্লিবা ঙা অয়াইবা, থুময়াকপী অমদি ঙারীনচিংবা ঙাশিং অসি এসিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা কংহল্লবা ঙাশিংবু য়োনবগী কৈথেল জাগীরোদ হায়বা অসামদা লৈবা কৈথেল অসি ফাওদুনা লাকই অমদি মসিবু য়োনবগী থবকশিংসি নুপীনা অয়াম্বা ওইনা তৌই। ঙা য়োল্লিবী নুপীশিং অসি অয়ূক অঙনবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবা থবক শূই।

মণিপুরদা পুথোক্লিবা ঙা অয়াইবা শেম্বগী থৌওং অসি অতৈ মফম খরদসু তৌই। তৌইগুম্বসুং মণিপুরদনা খরা হেন্না তৌই। খুদম ওইনা হায়রবদা মুকা ঙা অয়াইবা, ঙামু লৈরৌ, ঙাবেম্বা অয়াইবনচিংবশিং অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা য়াম্না হৈশিংবা অমদি মতম কয়াদগী চথরকপগী লৌশিং চঙবা থৌওং অমনি। তৌইগুম্বসুং হায়রিবা থৌওং অসি মণিপুরদদি নুপীশিংনা ওইনা তৌই অমদি ঙা ফাবা মতমদা ঙা ফারিবা ইমুং অয়াম্বদা নুপীশিংনা তৌবা থৌওং অমনি।

ঙা অয়াইবা পুথোকপা হায়বসি মীওই খরনা মশা মশাগী ময়ূমদা তৌনরম্বনি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা শেন্থুং পীথরক্তুনা ঙা য়াম্না পুথোকপা মফমশিংদা পূন্না ঙা য়াইনবগী খূৎলায়শিংসু শীজিন্নবা হৌনরে।

মণিপুরদা ঙাগা মরী লৈনবা থৌওংশিংদা নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি অসুক্কী মতিক চাউখ্রে। ঙা য়োক্লবা পুখ্রি শেম শাবা, হার চাইবা, মচিঞ্জাক থাবা, ঙা মচা পুথোকপা, ঙা ফাবা, ঙাগী পোথোক কয়া শেম শাবা অমদি য়োনবা অসিনচিংবনি। তৌইগুম্বসুং নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিং অসিদা খরা হেন্না ফগৎনবগীদমক্তা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী খন্নবা অমদি য়েংশিনবীবগী তঙাইফদবদি লৈরি।

অসুম্না মণিপুরী নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি ঙাগা মরী লৈনবা থবকশিংদতা নত্তনা অতোপ্পা হীরম কয়াদসু অচৌবা থৌদাং লৌরি অমদি লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিনবগী তঙাইফদবা কয়াসু লৈরি। ⏮

# ঈকং অমদি ঈচাওগী মতমদা পায়খৎকদবা লৌহোন শেম্বগী মওং

ডো. ৱাইখোম জিতেন

মণিপুরগুম্বা ঈথৈ লৌখোং মতিক চানা লৈতবা কুমগী নোংদা মপূং ওইনা তাংদুনা লৌ উবা মফম অসিদা ঐখোয়না মপূং ওইনা চৎনদুনা লাক্লিবা ঈশিং য়াওনা নৈরগা হুনবা লৌহোন হুনবগী মওংশিং অসিসু খঙদবা য়াদবা অমনি। মরম অসিনা ঈচাও থোকপদগী হান্না থারুরবা ফৌ পাম্বীশিং শিখ্রবা মতুংদা অথুবা মতমদা লৌহোন শেম্নবা অতোপ্পা পাম্বৈশিং থিবা হায়বসি তঙাইফদবনি। অমরোমদা অমুক কুমগী নোং থেংবনা মরম ওইদুনা নোং ঙাইদুনা লৈবা মতমদা লৌহোন হুনবা মতম ফংলোইদবা মতমদা পায়খৎপা য়াবা লৌহোন হুনবগী মওংশিং থিদোকপা তঙাইফদ্রে। অসিগুম্বা লৌহোন শেম্বগী কাঙলোনশিংগী মনুংদা কংলৌহোন অমদি দেপোক লৌহোন পনবা য়াই।

**কংলৌহোন :-** লৌহোন মখল অসি কুমগী নোং থেংবনা মরম ওইদুনা লৌহোন হুনগদবা মফমদা ঈশিং মতিক চানা লৈতবা মতমদা শীজিন্নগদবা লৌহোন্নি। হায়রিবা লৌহোন মখল অসিগীদমক লৌ পরি অমা থানবা লৌহোন শেম্বদা মরূ কেজি ৬০-৮০ ফাওবা চঙগনি। লৌহোন মখল অসিগীদক মিটর ১.২ পাকপা, মিটর ৭.৫ শাংবা ফৈদোম ৭৫গুম্বা চঙগনি। ফৈদোক অমমমদা নিংথিনা পথু-পুমথরবা এফ ৱাই এম কেজি ২৫, য়ুরিয়া গ্রাম ১৯৫, এস এস পি গ্রাম ২৭৫ অদুগা এম ও পি গ্রাম ৭৫ অসি ফৌ হুন্দ্রিঙৈদা লৈমায়দা চাইশিনবীরগা নিংথিনা তোৎশিনবীহৌগদবনি। করিগুম্বা এফ ৱাই এম ফংবগী খুদোংচাবা লৈত্রবদি মৈ থাদোক্লবা ৱাই শীজিন্নগদবনি।

লৌহোন হুনগদৌরিবা মফম অদু ঈশিং চাইবগী খুদোংচাবা লৈবা মফম ওইরবদি হান্ননা মতোন থোক্লবা ফৌশিং হুন্ননবগীদমক শীজিন্নগদবনি অসুম্না হুনবীগদবা মরূশিং অদু ঈশিং ইচমদা থাদবীদুনা হৈজিৎ-হৈগাই ওইবা ফৌশিং লৌথোকপীরগা পুং ২৪-৩৬ ফাওবা ঈশিংদা তিংবীগনি। অসুম্না তিংবীরবা মরূ অদুদা Carbendazim ৫০% হায়রিবা হীদাক অসিগী গ্রাম ৪/৪ ফৌ কেজি অমগী চাংদা লৌবিদুনা তোৎশিনবীরগা পুং ২৪-৩৬কী চাংদা ওম্বীদুনা শেন্দ্রাং মখায়াৎ শারবা ফৌশিং অদু হুনবীগনি।

অসুম্না হুনবীরবা ফৌশিং অদু ফৌনা পকত্রবা চরূ, ই নৎত্রগা হপ্পানচিংবনা নুমিৎ ৩-৪গুম্বা কুপশিনবীদুনা উচেকনচিংবদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনগদবনি। অদুগা অমুক ঈশিং চনবগী খুদোংচাবা লৈতবা মফম ওইরবদি ফৌশিং অদু কংনা হুনবীগদবনি। কংনা হুনবীগদবা মরূশিং অদু য়াংকোক থাদুনা নিংথিনা খপতোকপীরগা মরূশিং অদু Carbendazim ৫০% হায়বা হীদাক অদু লৌবিরগা মরূ কেজি অমদা হীদাক গ্রাম ৪/৪গী চাংদা লৌবিরগা ঈশিং খজিক্তুংদা নং-নং লাউনা থিৎপীরগা মরূশিংদা তোৎশিন্নবীগনি অমদি মচুম কংশিলহল্লবা মতুংদা হুনবীগনি। অসুম্না হুল্লবা মরূশিং অসি লৈকুপ্পা নীংথিনা কুপশিনবীগনি। অসিগুম্বা লৌহোন অসি মতোন চোংখৎপা উবগা ঐখোয়না কুপ-খবা লৈকুপশিং অদু মপাক মপাক ফকৎলক্কনি। অসুম্না ফকৎলক্লিবা লৈবাকশিং অদু লৌথোকপীগনি। অসিগুম্বা লৌহোন অসি মতোন চোংখৎলকপদগী নুমিৎ ১৫-২১গী মনুংদা লিংথোকপা য়াই। লিংথোক্কদবা নুমিৎ ২-৩গী মমাঙদা Coragen মিলিলিটর ৩ ঈশিং লিটর ১৫দা অমদি Thiamethoxam ২৫% গ্রাম ৫ ঈশিং লিটর ১৫দা য়ানবীরগা তোঙান তোঙান্না কাপ্পীগনি।

**দেপোগ লৌহোন :-** হায়রিবা লৌহোন হুনবগী কাঙলোন অসি ফিলিপিন্দগী ইন্দিয়াদা পুশিল্লকখিবনি। মসি অন্ধ প্রদেশ হায়বা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অদুদা ইহান হানবা ওইনা পুশিল্লকখিবনি। মসিনা লৌহোন হুনবগী মতম তঙ্খাইগী ময়াদা তেনশিলহল্লি। মসিনা মতম তেনশিনহনবতা নত্তনা লৌহোন হুনবদা চঙগদবা লমসু হন্থহল্লি। মসিনা লৌ পরি অমগী লৌহোন হুনবদা চঙগদবা লম ৫০০-৮০০ স্কৱার মিটরগী লমগী মহুত্তা শুপ্পগী স্কৱার মিটর ২৫দগী ৩০গী লমতমক চঙহল্লি। লৌহোন মখল অসি চয়োল অনীগুম্বদগী হেন্না হিংবা ঙমদে অমদি লৌহোনগী পাজেং য়াম্না পিকই অমদি লৌহোন অদুসু পিকই অমদি নৌই।

লৌহোন মখল অসি হুন্নবগীদমক, হুনগদৌরিবা মফম অদু লৈতেম মান্নবা অকোয়বদগী ইঞ্চি ২গুম্না ৱাংখৎপা মফম অমা মথৌ তাই নৎত্রগা বিলাটিমাটিনা নিংথিনা চনশিনবীরবা লৈমায় অমদা তৌবীবসু য়াই। লৌহোন মখল অসি হুন্নবগীদমক নুংশা লাংবা শুমাং মচি অমদা তৌরবসু য়াই।

ফৌ কিলোগ্রাম ৩গী লৌহোন হুন্নবগীদমক স্কার মিটর অমা পাক চাউবা লম মথৌ তাই। লৌহোন হুনগদৌরিবা মফম অসি মিটর ১.৫দগী হেন্না পাকহল্লোই অদুগা অশাংবদি ঐখোয়না খুদোংচাগদবা য়েংলগা তৌবীগদবনি।

লৌহোন শেমগদৌরিবা মফম অদুগী লৈমায়দা লফু মনাগী ময়ায় থংবা তোংথোক্লগা লৈবা শরুক অদু লৌথোকপীরগা লৈমায় থুংনা শন্দোক্তুনা থম্বীগনি। মসি নৎত্রগা প্লাষ্টিক সীটনা মফম অদু থুংনা কুপশিনবীগনি। অদুগা লৌহোন হুনগদৌরিবা মফম অদুগী মতাই থংবা শরুকশিং অদু লফুগী তোঙ্গানা ইকোয় কোয়না খাজিনবীরগা ৱাচেৎকী হুই শেম্বীদুনা তোঙ্গাশিং অদু লৈমায়দা য়ৈশিনবীগনি। লফু তোঙ্গাশিং অদু ফৌ ওল্লবা মতুংদা ইন্থোরক্তনবা মপান থংবা শরুক্তা উকক নৎত্রগা চেকনা ঙাকশিনবীগনি। ফৌ হুনবীবা মতমদা ফৌশিং অদু মরূ অহুম লোনখৎনবা ফাওবগী অথাবগী চাংদা লৌহোন হুনবীগনি। লৌহোন হুনগদবা মরূশিং অদু ঈশিংদা হৈজিৎ-হৈগাই ওইবা মরূশিং অদু তাওথোকহনগদবনি। অসুম্না হৈজিৎ-হৈগাই তাওথোকহল্লবা মরূশিং অদু পুং ২৪-৩৬ ফাওবা ঈশিং ঈচমদা তিংবীরগা Carbendazim ৫০% হায়রিবা হীদাক অদুগী গ্রাম ৪/৪ ফৌ কেজি অমগী চাংদা লৌবিরগা তোৎশিল্লবা মতুংদা ওমশিনবীগনি। ফৌশিং অদু শেন্দ্রাং মখায়াৎ শারগা হুনবীগনি। ফৌ হুনবা লোইরগা পারপনা ঈশিং চাইবিগনি অমদি উচাগুম্বা অমনা তপ্পপ্পা নমথবীগনি। অসুম্না নোংমদা অহুল্লক্কুম্বা উচা অমনা নমথবীগনি অমদি ঈশিং চাইবীগনি। অসুম্না নুমিৎ ৪নিগুম্বা চথবীদুনা ফৌশিংগী মরাশিং অদু লৈমায়গা তাইনবদা লৈরিবা ঈশিংগা থেংনহনগদবনি। মসিগী মতুংদা লৌহোন হুল্লিবা মফম অদু ঈশিং ইঞ্চি অমমুক থানা লৌহোনশিং অদু ফোইদ্রিবা ফাওবা থম্বীগনি।

অসুম্না শেল্লবা লৌহোন অদু নুমিৎ ৯-১৪ ফাওবগী মনুংদা লিংথোকপীগনি। লৌহোন অদু লিংথোক্লুবগীদমক মকক মকক ককপীগনি অদুগা ফক কোনশিনবগুম পাম্বীগী মরানা মপাল থংলগা মনাগী শরুক্লা মনুং থংলগা কোনশিনবীগনি অমদি লিংথোক্কদৌরিবা মফমদা পুবীগনি। চেকশিনবীগদবা অমনা ফৌ পাম্বীগী লোনশিন্দুনা লৈরিবা মরাশিং অদু তপ্না তপ্না লৌথোক্কদবনি অমদি ফৌ লিংথোকপা মতমদা চুক অমদা ফৌ পাম্বী ৩-৪ ফাওবা শোয়দনা থাবীগদবনি। লিংথোক্কদবা নুমিৎ ২-৩নিগী মমাঙদা Coragen মিলিলিটর ৩ ঈশিং লিটর ১৫দা লোয়ননা Thiamethoxam ২৫% গ্রাম ৫ ঈশিং লিটর ১৫গী চাংদা য়ানবীরগা হীদাক অনী অসি তোঙান তোঙান্না কাপথোকপীগনি। ⏮

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।